হোকরশিংগী বোদিনা থাবা পিটিসনগী পাউখুম পীনবা দেল্লী হায় কোর্টনা দেল্লী দিভলমেন্ট ওথোরিটিদা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১১ (এজেন্সী):

দেল্লী মাষ্টর প্লান ২০২১গী লিমিটেদ সেক্সনশিং লৌথোক্লগা মদুবু ষ্ট্রিট ভেন্দর (রেগ্যুলেসন ওফ লাইভলিহূদ এন্দ রেগ্যুলেসন ওফ ষ্ট্রীট ভেন্দিং) এক্ট ২০১৪গী মরী লৈনবা সেক্সনশিংনা মহুৎ শিন্নবা তকশিল্লদুনা নেসনল হোকর্স ফেদরেসন (এন ঐচ এফ)না ফাইল তৌবা পিটিসন অমগী পাউখুম পীরক্নবা শগোলশেন নুমিৎতা দেল্লী হায় কোর্টনা দেল্লী দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (দি দি এ)দা খঙহনখ্রে।

জষ্টিস দি এন পাতেল অমসুং জষ্টিস জ্যোতি সিংহগী বেঞ্চনা শগোলশেন নুমিৎতা হীরম অসিগা মরী লৈননা নেসনল কেপিটেলগী দিভলপমেন্ট বোদিদা নোটিস ইস্যু তৌখি অমসুং মেট্টর অসি কুমজা ২০২২গী জানুৱারী ১১দা য়েংশিন্নবা মতম লেপখি। হোকরশিংগী বোদি এন ঐচ এফকী মহুৎ শিল্লদুনা সবমিসনশিং অদুবু থমখিবা এদভোকেট করলপ্রিত কোরনা কুমজা ২০২১গী মাষ্টর প্লানদা পল্লিবা লিমিটেদ সেক্সনশিং অদু চৎনহন্দনবগী দিরেক্সন পীনবা হায়জখি।

হোকরশিংগী বোদি অসিনা হায়রিবদি মাষ্টর প্লান অদুদা পল্লিবা লিমিটেদ সেক্সনশিং অদু ষ্ট্রীট ভেন্দর্স (প্রোটেক্সন ওফ লাইভলিহূদ এন্দ রেগ্যুলেসন ওফ ষ্ট্রীট ভেন্দিং) এক্ট ২০১৪গী সেক্সন ৩ অমসুং সেক্সন ২১গী মায়োক্তনি। পিটিসন অদুনা হায়রি মদুদি, কুমজা ২০২১গী দেল্লী মাষ্টর প্লান অদুনা ষ্ট্রীট ভেন্দরশিং অমসুং হোকিংগী থবক্কা মরী লৈননা পার্লিয়ামেন্টনা পুথোকখিবা এক্ট অসিদা য়াওরিবা প্রোভিজনশিং খন্নবা তৌদে।

প্লি অদুনা হায়, মশানা মশাবু থবক পীজবগী মওং অমা ওইবদা নত্তনা ষ্ট্রীট ভেন্দরশিংনা লৈবাক অসিগী ইকনোমিদা চাওনা কন্ত্রিব্যুট তৌই। মসিনা লৈবাক অসিদা থবক ফংদবা মীওইশিংগী মশিং শীংথানিংঙাই ওইনা হন্থহল্লি অমসুং লৈবাক অসিগী অর্বান এরিয়াশিংদা লৈরিবা অপূনবা মীশিংগী তঙ্খায় অমা হেন্না মসিগী মপান তাঙনা হিংই।

প্লি অদুনা মখা তানা হায়, দেল্লীগী মাষ্টর প্লান অদু কুমজা ২০০৭তা এপ্রুভ তৌখিবনি অমসুং হৌজিক্তি ইমপ্লিমেন্ট তৌরকপনি। অদুম ওইনমক মতুং তাবদা মাষ্টর প্লান্ট অদুদা অকক্নবা এমেন্দমেন্ট খরা লাকখিবা ওইরবসু মাষ্টর প্লান ২০২১গী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি ষ্ট্রীট ভেন্দর্স (প্রোটেক্সন ওফ লাইভলিহূদ এন্দ রেগ্যুলেসন ওফ ষ্ট্রীট ভেন্দিং) এক্ট ২০১৪গী মথক্তা পল্লিবা প্রোভিজনশিং অসিগী মায়োক্তনি।

কুমজা ২০১৪দা ২০২১গী মাষ্টর প্লানদা এমেমেন্দ খরা লাকহনখি। তৌইগুম্বসুং কুমজা ২০২১দা ২০২১গী মাষ্টর প্লানদা ষ্ট্রীট ভেন্দর্স (প্রোটেক্সন ওফ লাইভলিহূদ এন্দ রেগ্যুলেসন ওফ ষ্ট্রীট ভেন্দিং) এক্ট ২০১৪ অসি পন্দে। গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা মরী লৈনবা লোকল এজেন্সীনা পোলিসি অদুবু কোওর্দিনেট তৌনবা প্লি অদুনা গভর্ণমেন্টতা তকশিনখি।

ষ্ট্রীট ভেন্দর্স (প্রোটেক্সন ওফ লাইভলিহূদ এন্দ রেগ্যুলেসন ওফ ষ্ট্রীট ভেন্দিং) এক্ট ২০১৪ ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা মথৌ তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা রেস্পোন্দেদ ওথোরিটিদা দিরেক্সন পীদবা তারবদি ষ্টেট অসিগী অর্বান ষ্ট্রীট ভেন্দর পূম্নমক অৱাবা নংদুনা হীরম অসিগী মতাংদা জষ্টিসকী মমি উব ফংলরোই হায়নসু প্লি অদুদা পনখি।

ষ্ট্রীট ভেন্দরশিং অসি অনওর্গনাইজ সেক্টরগী মনুং চল্লি। রুরেল অনওর্গনাইজ লেবররশিংগীদমক সোসল সিক্যুরিটি স্কিম কয়া পুথোক্লবসু সিটিশিং অমদি টাওনশিংদা লৈরিবা লায়রবা মীওইশিংগী হিংনবগী পাম্বৈশিং লৈহন্নবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা স্কিম অমত্তা পুথোকখিবা লৈতে হায়না প্লি অদুনা মখা তাখি।

নেসনল সিক্যুরিটিগী ইস্যুশিংদা পোলিটিক্স তৌগনু: অমরিন্দর

চান্দিগর, নভেম্বর ১১ (এজেন্সী):

বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী ওপরেসনল জুরিদিক্সন কিলোমিটর ১৫দগী ৫০ ফাওবা য়ৌহন্নবা সেন্টরনা হৌদোক্লিবা ৱাফমগী মায়োক্তা শগোলশেন নুমিত্তা বিধাণ সভাদা পুথোকখিবা পঞ্জাব গভর্ণমেন্টকী রিজোল্যুসনবু য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা মশাগীখক্তা খনবা অখুবা মীৎয়েংগা লোয়ননা নেসনল সিক্যুরিটিগী ইস্যুদা পোলিটিক্স তৌদনবা হায়খ্রে।

অমরিন্দরনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, বি এস এফকী ওপরেসনেল জুরিদিক্সন অসি নেসনল সিক্যুরিটিগা মরী লৈনৈ। মসি ষ্টেটকী লো এন্দ ওর্দরগী ৱাফম নত্তে। পঞ্জাবতা হৌজিক পৱার পায়রিবশিংনা অসিগুম্বা ৱাফম অসি মুন্না খঙদবা মাল্লি।

অমরিন্দরনা মখা তানা হায়, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ইস্যু অসিদা পোলিটিক্স তৌনবা হোৎনরকপা অসি অৱাবগী মশক্নি। মসিগী ৱাফম অসি নেসনল সিক্যুরিটি অমসুং পঞ্জাব য়াওনা ষ্টেট কয়াগী বোর্দরশিংগা মরী লৈনৈ। মসি পঞ্জাবকী ৱাফমদা নত্তে, তৌইগুম্বসুং জম্মু এন্দ কাশ্মির, গুজরাট, কাশ্মির, ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং অতৈ ষ্টেট কয়াদা ইন্টরনেসনল বোর্দর মনুং কিলোমিটর ৫০ ফাওবা বি এস এফকী জুরিদিক্সন লৈরিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পাকিষ্টাননা অৱাংবা থাক্কী টেক্নোলোজি অমসুং কিলোমিটর ৩০গী রেঞ্জ ওইবা অফবা মখলগী দ্রোন কয়া শীজিন্নরকপা অসিনা বি এস এফকী ওপরেসনল জুরিদিক্সন হেনগৎহনবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরিন্দরনা হায়, বি এস এফকী ওপরেসনল জুরিদিক্সন হেনগৎহনবা অসিনা ষ্টেটকী ফেদরেল ওথোরিটিদা অকায়বা পীবা য়াওদবদা নত্তনা লো এন্দ ওর্দর মেন্টেন তৌবগী মতাংদা ষ্টেট পুলিসতা চিংনবা লৈহন্দে। তৌইগুম্বসুং মশাগী ওইজবদা থিবা পোলিটিসিয়ান খরনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱাথোক অমা লাকহন্নবা হোৎনরি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা লো এন্দ ওর্দর অমসুং নেসনল সিক্যুরিটিগী মরক্তা খেন্নবা চাওনা লৈ হায়খি। মহাক্না হায়, পঞ্জাব পুলিসকুম্না বি এস এফ অসিসু ঐখোয়গী ওইবা ফোর্সনি।

মীওই ক্রোর ১২ ২শুবা দোজ কাপত্রি

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ০৯ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী মীওই ক্রোর ১২ হেন্না কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী অনীশুবা দোজ কাপত্রি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর মানসুখ মন্দোভিয়ানা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। মপুং মরৈ ফারবা অপূনবা ইলিজিবল মীশিংগী চাদা ৭৯দমক অহানবা দোজ কাপ্লে অদুগা চাদা ৩৮না অনীশুবা দোজ কাপ্লে হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

মান্দাভিয়ানা ৱাফম অসি ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী হেল্থ মিনিষ্টরশিংগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা মীফমদা ফোঙদোকখিবনি। হৌজিক চথুরিবা ‘হর ঘড় দষ্টক’ মেগা ভেক্সিনেসন দ্রাইভকী মখাদা এদল্ট পোপ্যুলেসন অপূম্বা অহানবা দোজ কাপহন্নবা অমসুং অনীশুবা দোজ কাপহন্নবা অমসুং অনীশুবা দোজ কাপকদবশিংসু পূক্নিং থৌগৎনবা মহাক্না মিনিষ্টরশিংদা তকশিনখি। অকক্নবা মতমগী মনুংদা টার্গেট তৌবা এরিয়াদা চাদা ১০০ ভেক্সিনেসন কোভরেজ লৈহন্নবা মহাক্না মল্টিপল ভেক্সিনেসন টিমশিংগী ষ্ট্রেটেজিশিংদা মীৎয়েং থম্নবসু আপীল তৌখি।

গোৱাগী মীখলদা কোংগ্রেস-এন সী এল্লায়ন্স শেম্বা শোয়দ্রে

পানাজি, নভেম্বর ১১ (এজেন্সী):

কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা গোৱা এসেমব্লি মীখলগীদমক এল্লায়ন্স অমা শেম্নবা ষ্টেট কোংগ্রেস অমসুং নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী টোপ লীদরশিংনা ৱারী শানবা হৌরে অমসুং সিট শ্যেরিংগী মতাংদা শোয়দনা য়ানবা পুরক্লগনি হায়না গোৱাগী এন সী পি প্রসিদেন্ট জোজ ফিলিপ দিসৌজানা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

পানাজিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা দিসৌজানা হায়খি, এন সী পিনা কেন্দদেট ৭/৮গী লিষ্ট অমা কোংগ্রেসকী মহাক্কী লেংমান্নবা গিরিশ চোদানকরদা পীশিনখ্রে। নভেম্বর ২৫ ফাওবগী মনুংদা এল্লায়ন্সকী ৱাফম অসিদা য়ানবা পুরক্লগনি হায়না মহাক্না থাজে।

দিসৌজানা মখা তানা হায়, ঐখোয়না কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংগা ৱারী শানখ্রে। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা নুমিদাং অথেংবদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট গিরিশকা ঐহাক্না উনখি। এল্লায়ন্স শেম্বগী মতাংদা ঐখোয়না কৃপ্না খন্নখি। ঐখোয়গী সেন্ট্রেল লীদরশিংগী মায়কৈদগীসু লোকল লেভেলদা খন্নবা হৌনবা হায়রক্লবনি।

ঐখোয় নেসনল পার্টি অমনি, কোংগ্রেসসু নেসনল পার্টিনি। মহারাষ্ট্রদা কোংগ্রেস, এন সি পি অমসুং শিব সেনাগী এল্লায়ন্স লৈ। দেল্লীদসু এল্লায়ন্স লৈ। অসিগুম্বা এল্লায়ন্স অমা ষ্টেট অসিদসু শেম্নবগীদমক্তা ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা ৱারী শানবা হৌখ্রে।

কনাগুম্বা কেন্দিদেট অমনা এল্লায়ন্সকী মরমদা খরা ওন্না খঙলবদি মঙোন্দা খুদোংচাবা হেল্লি নৎত্রবদি কন্সটিট্যুএন্সী অমদা মীখলগা মরী লৈননা থবক তৌবদা নুংঙাইরোই হায়না ফোঙদোকখি।

এল্লায়ন্সকী দিল অমা শোয়দনা পুরকপা য়াবগী ওইথোকপা ফিভম লৈব্রা হায়না হংবদা দিসৌজানা হায়খি, গোৱাদা কোংগ্রেস অমসুং নেসনলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী মরক্তা এল্লায়ন্স অমা শেম্লগনি হায়বসি চাদা ১০০ চুম্লবা ৱাফম্নি।

করিগুম্বা এল্লায়ন্স লৈতবা তারবদি সেক্যুলর ভোটশিং মচোই মচোই চৎখিগনি। ঐখোয়গী মায়কৈদগী কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট পীখ্রে। ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা ৱারী শানদুনা লিষ্ট অদু ফাইনেলাইজ তৌরসনু। থা অসিগী ২৫গী মমাঙদা এল্লায়ন্স অদু ফাইনেলাইজ তৌগদৌরিবনি।

এপোইন্টমেন্টকী মতাংদা জয়রামনা মিনিষ্টরগী মায়োক্তা প্রিভিলেজ মোসন সবমিট তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১১ (এজেন্সী):

পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবা লোগী প্রোভিজনশিং অতম্মনা খোঙ্গাওনবগীদমক য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর কলচর জি কিশেন রেদ্দিগী মায়োক্তা শগোলশেন নুমিত্তা অপ্পর হাউসতা কোংগ্রেস চীফ হ্বিপ ওইরিবা জয়রাম রামেসনা ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকিয়া নাইদুদা প্রিভিলেজ মোসন অমা সবমিট তৌখ্রে।

তরুন ভিজয়বু নেসনল মোন্যুমেন্ট ওথোরিটিগী চেয়রমেন ওইনা গভর্ণমেন্টনা হাপখিববু রামেসনা ওবজেক্সন তৌখিবনি। রামেসনা হায়, এপোইন্টমেন্ট অদু কুমজা ২০১০দা পাস তৌখিবা লোগী মায়োক্তনি। লো অসিনা হায়রি মদুদি, এক্সপর্ট অমনা অসিগুম্বা ফম পায়গদবনি। গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবা লোবু ফাগি তাহল্লে।

ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকিয়া নাইদুদা থাবা লেট্টরদা কোংগ্রেসকী চীফ হ্বিপ অসিনা হায়, মরী লৈনবা লোদা পল্লিবদি প্রসিদেন্টনা খনগদৌরিবা চেয়রমেন অদু আর্কিওলোজি, টাওন প্লান্নিং অমসুং আর্কিটেকচরগী লম্দা মতিক চানা এক্সপরিএন্স অমসুং এক্সপর্টিজ লৈবা মীশক ওইগদবনি হায়না পল্লি।

ইহান হানবা ওইনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা পার্লিয়ামেন্টনা পুথোকখিবা লোদা পল্লিবা ৱাফমশিংগা চানগদবা মওংদা এদ্যুকেসনল অমসুং প্রোফেসর বেকগ্রাওন্দগা চানদবা মীওই অমবু চেয়রমেন ওইনা হাপচিল্লে। ফম অসিগীদমক্তা খল্লবা হান্নগী এম পি ওইরম্মী হায়বসিনা ফম অসি পায়নবগী মরু ওইবা ক্রিদেন্সিএল ওইবা য়ারোই হায়না রমেসনা মখা তাখি।

এনসিএন্ট মোন্যুমেন্ট এন্দ আর্কিওলোজিকেল সাইটস এন্দ রিমেন্স (এমেমেন্দ এন্দ ভেলিদেসন) এক্টকী সেক্সন ২০ এফ পল্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, প্রসিদেন্টনা চেয়রমেনগী ফম হাপকদৌরিবা মীওই অদু আর্কিওলোজি, টাওন প্লান্নিং, আর্কিটেকচর, হেরিটেজ, কঞ্জর্ভেসন আর্কিটেকচরগী লম্দা মতিক চানা এক্সপরিএন্স অমসুং এক্সপর্টিস লৈগদবনি। তরুন ভিজয় রাজ্য সভাগী মেম্বর অমসুং রাষ্ট্রিয়া সোয়ম সেবক সঙ্ঘনা ফোঙবা হিন্দি ৱীকলি পঞ্চজন্যগী এদিটরনি।

টেলঙ্গনাদা লুপা ক্রোর ১রোমগী ওইগদবা গঞ্জা ফারে

হায়দরবাদ, নভেম্বর ১১ (এজেন্সী):

টেলঙ্গনাগী প্রোহিভিসন এন্দ এক্সাইজ দিপার্টমেন্টনা শগোলশেন নুমিৎতা হায়দরবাদকা নক্নবা মেদচাল দিষ্ট্রিক্টতগী লুপা ক্রোর অমগী ওইগদবা গঞ্জা ফাখ্রে।

ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা কার অনীদা লোন্না পুরকপা গঞ্জা কেজি ৪৬২ জৱাহর নগরগী কৌকুর মনাক্তা ইন্টরসেপ্ট তৌরগা ফাখি। অথিংবা থম্বা পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা মীওই মরিসু ফাখি। মেদচাল দিষ্ট্রিক্ট এক্সাইজগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর দেভিদ রবিকান্তনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা, অথিংবা থম্বা পোৎশকশিং অদু অন্ধ্র - ওরিষ্যা বোর্দর এরিয়াদগী মহারাষ্ট্রদা পুরিঙৈদা ফাখিবনি।

গঞ্জাগা কোন্ননা ফারবা মীওইশিং অদুদি মোহম্মদ ফারিব, ইস্মাইল, সচিন চাৱন অমসুং বাসৱা রাজুনি। মখোয়দা কেস অমা রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন হৌরে। মসি হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা হায়দরবাদ অমসুং মসিগী অকোয়বদা এক্সাইজ অমসুং পুলিসনা গঞ্জা অমদি অতৈ দ্রগ কয়া পরিং নাইনা ফাগৎখিবদা খ্বাইদগী নৌবনি।

হৌখিবা থাদা চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রখের রাওনা পীখিবা দিরেক্সন মতুং ইন্না দিপার্টমেন্ট অসিনা দ্রগকী প্রোব্লেম লাকশিন্নবগীদমক্তা অকনবা কেম্পেন অমা চথুরকখি। হৌখিবা ওক্টোবর ২৩দা এক্সাইজ ওফিসলশিংনা মেদচাল মালকাজ গিরি দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম অহুমদগী মেফিদ্রোন দ্রগ কে জি ৪.৯২ ফাখি।

হৌখিবা ওক্টোবর ৩০দা এল বি নগরদগী দ্রগ পেদলর অনী গঞ্জা কে জি ১১০গা কোন্ননা ফাখি। মখোয়দগী ফাখিবা অথিংবা থম্বা পোৎলমশিং অদু লুপা লাখ ১৮.৫০ রোমগীনি। পোৎশকশিং অদু অন্ধ্র প্রদেশকী বিশাখাপতম দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা এজেন্সী এরিয়াদগী হায়দরবাদ ফাওরগা নাগপুরদা পুরিঙৈদা ফাখিবনি।

মসিগী মমাঙদা হায়দরবাদ পুলিস কম্মিস্নরেট লিমিটনা কোনবা তোঙান তোঙানবা মফম অনীদা চথুখিবা রেইদশিংদা পুলিসনা গঞ্জা কে জি ৭২গা লোয়ননা মীওই মরি ফাখি। হাইদরবাদ অমসুং মসিগী চিদাই এরিয়াশিং কোল্লিবা হায়দরবাদ, সাইবেরবাদ অমসুং রাচাকোন্দা পুলিসনা নার্কোটিক্সকী মায়োক্তা অখন্নবা দ্রাইভ অমা চথুরিবনি।

নুপী ইমপ্লোয়ী মোলেষ্ট তৌরম্বা গভর্ণমেন্ট ওফিসর ফারে

লক্ষ্ণৌ, নভেম্বর ১১ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী লক্ষ্ণৌদা অন্দরসেক্রেটরি-লেভেল গভর্ণমেন্ট ওফিসর অমা নুপী ইমপ্লোয়ী অমদা মোলেষ্ট তৌবগী মরালদা ফারে। ওফিসর অদু মহাক্না কন্ট্রেকচ্যুএল ৱর্কর অমা মোলেষ্ট তৌবগী ভিদিও অমা ভাইরেল ওইরকপদগী ফাখিবনি।

একুজ ইসারাম য়াদব লক্ষ্ণৌদা মাইনোরিটি ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টতা সেক্সন ওফিসর অমা ওইনা থবক তৌই। ভিক্টিম অদুনা ফোঙদোরকপদা অন্দরসেক্রেটরি অদুনা মহাকপু কুমজা ২০১৮দগী হরাসমেন্ট পীরকখি অমসুং মোলেষ্ট তৌরকখি। করিগুম্বা মহাক্না কমপ্লেন তৌরবদি থবক থদৎকনি হায়না ওফিসর অদুনা মঙোন্দা কিহনখি হায়নসু নুপী অদুনা ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা নুপী অদুনা থৌনা লৈনা য়াদব য়াওবা ভিদিও অমা নমখি। মদুদা য়াদবনা নুপীদুগী মনাক্তা চঙশিল্লকপদা মহাক্না য়াদবপু ইন্থোকপগী শক্তম উখি।

পুলিস ষ্টেসনদা কমপ্লেন্ট অমা রেজিষ্টর তৌখি। নুপী অদুনা ইভিদেন্স ওইনবা অসিগুম্বা থৌদোকশিংগী ভিদিও কয়া পুলিসতা শিন্নখি। মহাক্না ফোঙদোরকখিবদা, অন্দরসেক্রেটরিগী ফম পায়দুনা নীংথিনা কন্নেক্সন লৈবদগী পুলিসনা অহানবদা য়াদবপু ফাবা ঙমখিদে। মমৈথংদা ভিক্টিম অদুনা ভিদিও অদু সোসল মীদিয়াদা থাগৎখি।

এদিসনল দেপ্যুটি কম্মিস্নর ওফ পুলিস (এ দি সী পি) সেন্ট্রেল খয়াটি গর্গকী মতুং ইন্না, মেট্টর অদুগা মরী লৈননা ওক্টোবর ২৯দা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি অমসুং ইনভেষ্টিগেসন অমা চথখি।

নুপী অদু কয়ারক হন্না কৌদুনা ষ্টেটমেন্ট রেকোর্দ তৌখি। পার্টি অনীমক্কী ষ্টেটমেন্টশিং অমসুং ইভিদেন্স য়েংশিল্লবা মতুংদা এক্সন লৌখৎখিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

রাফেল দিল: পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফমদা জে পি সী প্রোব চখুহন্নবা প্রেসর কনশিনগদৌরি

ন্যু দেল্লী, নভেম্বর ১১ (এজেন্সী):

রাফেল ফাইটর জেট দিলগী মতাংদা অনৌবা ৱাফম খরা ফোঙনরকপদগী কোংগ্রেসনা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম মনুংদা চিংননিংঙাই ওইরবা দিল অদুবু প্রোব তৌনবা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটি (জে পি সী) অমা শেম্নবা হেন্না কন্না তকশিল্লগনি হায়না সোর্চ্ছ খরনা ফোঙদোরক্লি।

ফাইটর প্লেনশিং অদুবু লৈবগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টকী নীংথম মীফমদা গভর্ণমেন্ট অমসুং ওপোজিনগী মরক্তা অকনবা লান অমা উগদৌরি। কোংগ্রেসনা মমাঙদগী হৌনা দিল অদুদা করপসনগী মচাকশিং য়াওই হায়দুনা লাকখি।

সোর্চ্ছশিংগী মতুং ইন্না, হীরম অসিগী মতাংদা সপোর্ট ফংনবগীদমক্তা কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংনা এন দি এ গভর্ণমেন্ট য়াদবা ৱাখল মান্নবা পার্টিশিংগী লুচিংবশিংগা ৱারী শাননবা খঙহনখ্রে।

বি জে পিনা, দিল অদুবু জে পি সীনা প্রোব তৌহনবা পামদে হায়না কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি কে সী ভেনুগোপালনা মরাল শীখি।

পার্টিগী স্পোক্সমেন পাৱন খেরানা হায়, রাফেল স্কাম অসি লুপা ক্রোর ৬০-৮০ গী কম্মিসন পেমেন্টকী ৱাফম নত্তে, তৌইগুম্বসুং মসি খ্বাইদগী চাওবা দিফেন্স স্কামনি। অদুনা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেসন অমা চথবনা স্কাম অসি শেংনা খঙবা ঙমগনি।

কোংগ্রেসকী মতুং ইন্না ইন্টর-নেসনল টেন্দর অমগী মতুংদা য়ু পি এ গভর্ণমেন্টনা টেক্নোলোজি ট্রান্সফর য়াওনা লুপা ক্রোর ৫২৬.১০ চঙনা রাফেল ফাইটর এয়রক্রাফ্ট অমা লৈনবা নিগোসিএসন তৌখি। অমরোমদা মোদি গভর্ণমেন্টনা এয়রক্রাফট অদুমক টেন্দর তৌদনা অমসুং ইন্দিয়াদা টেক্নোলোজি ট্রান্সফর তৌবগী ৱাফম য়াওদনা লুপা ক্রোর ১,৬৭৩দা লৈখি।

ইন্দিয়াদা টেক্নোলোজি ট্রান্সফর তৌবগী ৱাফম য়াওদনা ঐখোয়না এয়রক্রাফ্ট ৩৬কীদমক করিগী অহেনবা শেনফম লুপা ক্রোর ৪১,২০৫ পীগদৌরিবনো? কনা কনানা শেল কয়াম চানখ্রবগে? এয়রক্রাফট ১২৬ লৈনবা লাইভ ইন্টরনেসনল টেন্দর লৈখ্রবসু করম্না প্রাইম মিনিষ্টরনা মরন্নাই ৱারেপ্তা এয়রক্রাফট ৩৬ লৈগদৌরিবনো? ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মোদি গভর্ণমেন্টনা পীগদবনি।

ফ্রান্সকী মীদিয়া পোর্টেল অমা ওইরিবা মীদিয়াপার্টনা নৌনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিংগী মতাংদা কোংগ্রেসনা হায়, করম্না মিদ্দলমেন সুশে গুপ্তুনা অরোনবা দোক্যুমেন্টশিং ফংখিবগে হায়বসি এক্সপোজ তৌখ্রে।

দোক্যুমেন্টশিং অদু মরু ওইনা এয়রক্রাফ্টকী মমলগী মতাংদা চথুখিবা অরোইবা নিগোসিএসনদা ইন্দিয়ন নিগোসিএটরনা লেপকদবা ফিরেপকী অকূপ্পশিং খঙহল্লদুনা লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা কুমজা ২০১৫দা ইন্দিয়ন নিগোসিএটিং টিম (আই এন টি)দা শিন্নখিবা অরোনবা চে-চাংশিংনি।

ইন্দিয়ানা লুপা ক্রোর ৫৮,০০০ চঙনা রাফেল ফাইটর জেট ৩৬ লৈনবা কুমজা ২০১৬তা ফ্রান্সকা ইন্টর-গভর্ণমেন্টেল এগ্রীমেন্ট অমা খূৎয়েক পীনখিবনি।

বিহারগী নলান্দদা ছাথ পুজা মনুংদা নুপী অমা গেং রেপ তৌখ্রে

পটনা, নভেম্বর ১১ (এজেন্সী):

বিহারগী নলান্দদা মশাগী চহী ২৩ শুরবী নুপী অমা মীওই মরিনা গেং রেপ তৌখ্রে হায়না শগোলশেন নুমিৎতা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ভিক্টিম অদু মহাক্কা তিন্নবা নুপা অমগা লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ছাথ পুজাগী প্রসাদ চাবা চৎখিবনি। শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্তা নুপী অদুগী মেদিকেল ইগজামিনেসন পাঙথোক্লবা মতুংদা থরথারি ভিলেজ পুলিস ষ্টেসনদা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌখি।

কমপ্লেনেন্ট নুপী অদুগী মতুং ইন্না মহাক চান্দি-সেমেরা ষ্টেট হায়ৱে-৭৮দা মহাক্কী মমান্নবা অদুগা ফমদুনা লৈরিঙৈদা মীওই মরি লাক্লগা মঙোন্দা কা-হেনবা মওংদা লক্নবা হৌরকখি। মীওইশিং অদুগী থৌওং অদু মখোয়না প্রোটেষ্ট তৌখি। তৌইগুম্বসুং একুজশিং অদুনা মখোয়বু ওভরপাৱর তৌখি।

ওফিসল অমগী মতুং ইন্না একুজশিং অদুনা বোইফ্রেন্দ অদুবু থাঙ নল্লগা ফাজিন্দুনা থল্লগা নুপী অদুদা মখোয়না মথং মথং সেক্সুএল এসোল্ট চথুখি। চৈরকসিদা ভিক্টিম অদুগী মমানা নুপা অদুবু মহাক্কী মচানুপীগী মায়োক্তা লৌতুনৈ হায়না মরাল শীখ্রে।

নুপী অদুগী মমানা হায়, নুপা অদুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা মচানুপীবু বাইকতা তোংহল্লগা পুখি অমসুং মহাক্না মমান্নবশিংগা লোয়ননা মচানুপীদা ক্রাইম অদু চথুখিবনি। লৌতুনবা অদুদা চেন্নে হায়রদুনা মহাক্না মীওই অহুমগী মায়োক্তা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখি।

পুলিস ওফিসল অমনা হায়, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংদা ভিক্টিম অদুগী মেদিকেল ইগজামিনেসন চথুখিবগা লোয়ননা মহাকপু গেং রেপ তৌখি হায়বসি কনফর্ম তৌরে। হীরম অসিগা মরী লৈননা এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌরে।

এম এল এশিংনা এসেমব্লিদা সাইকল থৌজিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

থিরুভানন্তপুরম, নভেম্বর ১১ (এজেন্সী):

কেরলাগী পিনারায়ি ভিজায়ন গভর্ণমেন্টনা পেট্রোলিয়ম পোখোকশিংগী টেক্সশিং হন্থদবগী মায়োক্তা শগোলশেন নুমিৎতা ওপোজিসন কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু দি এফকী লেজিসলেটরশিংনা এসেমব্লি ফাওবা সাইকল তোংদুনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

সেন্টরনা টেক্স হন্থখিবদগী পেট্রোলগী মমল লিটরদা লুপা ১২.২৭ হন্থরকখি অমসুং দিজলগীনা লুপা ৬.৩০ হন্থরকখি। ষ্টেট অসিদা পেট্রোল লিটর অমগী এভরেজ মমল ১০৩.৮০ অমসুং দিজলগী মমলনা লুপা ৯১.৫৯ ওইখি।

য়ূমথংনরিবা টামিল নাদু অমসুং কর্নাটকাগুম্বা ষ্টেটশিংদা গভর্ণমেন্টশিংনা ষ্টেটকী ওইবা টেক্স কম্পোনেন্ট হন্থহন্নবা ৱারেপ লৌনখ্রবনি। সেন্টরনা দিৱালিগী খূদোল ওইনা নভেম্বর ৪দা পেট্রোলিয়ম পোখোকশিংগী দ্যুটিশিং হন্থহনখ্রবসু কেরলাগী ফাইনান্স মিনিষ্টর কে এন বালাগোপালনা ষ্টেট অসিদা মখা তানা টেক্স হন্থবগী ৱাফম লৈতে হায়না লাউথোরকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, সেন্টরনা টেক্স হেনগৎলকখিবনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা টেক্স অমত্তা হেনগৎহনখিবা লৈতে। মরম অদুনা কেরলা গভর্ণমেন্টনা তঙায় ফদনা পোখোকশিং অসিগী টেক্স হন্থদবা য়াদে হায়বা লৈতে। শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্তা কোংগ্রেস পার্টি অমসুং মসিগী মীচঙশিংগী লেজিসলেটরশিংনা সাইকল তোংদুনা ষ্টেট এসেমব্লিদা চঙশিল্লকখিবনি। এম এলশিংনা সাইকল তোংদুনা চৎলিবদু প্রেস ফোটোগ্রাফরশিংনা উন্নখি।

ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া

ইন্সপাইরিং ত্রষ্ট, এস্যুরিং সেফ এন্দ ন্যুট্রিসস ফুদ

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া

রিক্রুটমেন্ট নোটিস-দি আর-০৩/২০২১

(রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস কেন্সেল তৌরে)

এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর, এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর (টেক্নিকেল) অমসুং দেপ্যুটি মেনেজরগী ফমশিং লৌনবা তারিখ ৩০.০৯.২০২১ দা থোকখিবা রিক্রুটমেন্ট নোটিস নম্বর দি আর-০৩/২০২১ অসি এদমিনিষ্ট্রেটিভ মরম খরদগী কেন্সেল তৌরে হায়না খঙহঞ্জরি। কেন্দিদেটশিংনা পীখিবা ফীশিং হান্না পীরকখিবা মওংদা মতম চানা রিফন্দ তৌরগনি।

দিরেক্টর
(রিক্রুটমেন্ট)

davp/17163/11/0009/21222

ꯑꯔꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕꯥ / অৱাবা ফোঙদোকচবা

BJP Sagolband Mandal গী এক্টিভ মেম্বর ওইরম্বদা নৎতনা Sagolband Takhellambam Leikai 11/12 booth কীনা President ওইবিরম্বা Shri Pechimayum Uttam Singh না মনুং-মতম চাদনা হৌখিবা তারিক ৮/১১/২০২১ দা লৈখিদবদা BJP Sagolband Mandal না থম্মোয় শোক্না অৱাবা ফোঙদোকচরি অমদি লৈখিদবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজবগা লোয়ননা মহাক্কী থৱায়না ঈংনা-চিক্না লাইরমলেনদা লৈরুনবা থৌনীজরি।

মহাক্না মনুং-মতম চাদনা লৈখিদবদা BJP Sagolband Mandal গী ওফিসতা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা মন্দলগী প্রসিদেন্টনা ময়াই তাংবল লৌদুনা মন্দলগী থৌপুবশিং, Worker শিং অমদি Sagolband Kendra গী Ex-MLA ওইবিরম্বা অমদি BJP Manipur Pradesh কী spokeperson সু ওইবিরিবা Dr. Kh. Loken Singh য়াওনা হৌখিবা তাং ১০/১১/২০২১গী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মিনিট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

Sd/- **Dr. H. Ruhikanta Sharama**
President,
BJP Sagolband Mandal

HL-C/192/12

ꯂꯥꯟ-ꯊꯧꯔꯝ / লান্ন-থৌরম

মালেম তাইবঙ পানবদা ঐখোয়গী ইরক্তা তিল্লম্বা **পেচিময়ূম উত্তম সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাকৈ-নাতৈ পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা চৈচৎ ৮-১১-২০২১ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ৪নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মপুনা থাবা চৈথেক চৈশিং শুরদুনা য়াইবী থৱায় মীরেলনা মপুগী লৈকোলদা লৈরাংগী লৈনম ওইনা তিনখ্রে।

লাক্লিবা চৈচৎ ১২-১১-২০২১ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ৮নি পানবা ইরাই নুমিৎতা মঙানি লৈহুন তমজরগা চৈচৎ ১৮-১১-২০২১ ইং, হিয়াঙ্গৈগী ১৪নি পানবা শগোলশেন নুমিৎতা লৈখিদ্রবগী লান্ন-থৌরম থোক্লে।

নুমিৎ অসিদা লাইরমলেন্দা তিনখ্রবগী থৱায় মীরেলনা মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্না লৈজরুনবগীদমক তাইবঙ মপুগী মফমদা ঙমজবা হৱাং লৈরাং খরদং মপুগী মীঙ্খৈরোল শক-শোঞ্জবগা লোয়ননা কৎচগদৌরি। থৌরম অসি লৈবাক্কী অথিংবা লৈবনা এস ও পি ঙাক্না পাঙথোকচরগনি।

থৌগল ফংজরিবী ঃ-

পেচিময়ূম ওংবী থোইথোই লৈমা

১) থোকচোম ওংবী ইবেচাওবী লৈমা (মচে)
২) পেচিময়ূম ওংবী সোবীতা লৈমা (মতৈমা)
৩) ঙাথেম ওংবী মনোরমা লৈমা (মচে)
৪) কৈশাম ওংবী সরমিলা লৈমা (মচনুপী)
৫) পেচিময়ূম ওংবী সনধ্যারানি লৈমা (মনাওনুপী)
৬) পেচিময়ূম ওংবী অশালতা লৈমা (মমৌনুপী)
৭) খোমদ্রাম ওংবী স্বাটি দেবী (মচানুপী)
৮) পেচিময়ূম য়াইস্না চনু (মচানুপী)
৯) পেচিময়ূম ইভালীনা চনু (মশুনুপী)

১) পেচিময়ূম অশোক মৈতৈ (মনাওনুপা)
২) পেচিময়ূম চান্দিরাজ মৈতৈ (মচানুপা)
৩) পেচিময়ূম লমজিংবা মৈতৈ (মচানুপা)
৪) পেচিময়ূম লনচেনবা মৈতৈ (মশুনুপা)

থৌরম পরেং:-
অয়ূক পুং ৮.০০ - থৌরম হৌবা
অয়ূক পুং ১১.০০ - থৌরম লোইবা।

থৌরম মফম : খ্বাইরাকপম লৈকায় কম্যুনিতি হোল

HL-C/191/12,13,16

সেগা রোদ তখেল্লম্বম লৈকায়, ইম্ফাল।